# ঐনা শকখঙজহৌবদা এন কে সনাজাওবা

— পি জি পাউগাইরুং —

***লময়ানবা য়াওল্লোয় এন কেঁ সনাজাওবা কুমজা ১৯৩৬ কী দিসেম্বর ৩০ দা শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দা পোকখি। অপোকপগী মীংনা নোংমৈকাপম ইঁবোচা অদুগা অপোকপীগী মীংনা মুঁক্তারৈ কৌই। পলেম-পন্থৌ অনীনা পোকচবা মচা অহুমগী মনুংদা সঁনাজাওবনা অনীশুবা মচানুপা য়াইমনি। মথক্তা ময়াম্বা জুঁগেশ্বর অদুগা মখাদা মচন্নুপী রাসী লৈহৌরি।***

নোংমা ঐগী ইচাশিংনা, মখোয়গী ময়াম্বা লাই ইমোনা চে অমা পীরম্মী, ঐগা উনদবা য়াদবা মরমসু লৈ হায়নসু হায়রম্মী হায়না তম্মী। করি মরমগীনো খন্দুনা ইনভেলপতু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদদি ঐ মিৎতগী পি তাখিবনি। ঐগী নুংশিখিবা মরুপ এন কে সনাজাওবগী নীংশিং থৌরম তৌগনি, মদুদা ঐসু য়াওবীয়ু হায়বা ওইরম্লে। মদুদা নত্তনা ঐবু ৱাহৈ খরসু ইবিয়ু হায়রে।

ঐনা সনাজাওবা, সমরেন্দ্র, পাহারিখোয়গী কাঙবুগা খঙনরকপসি কখুলোংদা লৈবা ঐগী মরী-মতা এম এল এসু ওইখিবনি, কাখঙগাইগীদা লৈবা মতমদনি। তমেংলোংদগী সোসিএল ৱার্কর কলালুঙ কামৈসু কখঙগাইগীদা হেক-হেক থুংলৈ। অদুগা ঐনা শুম নীংশিংবদা হোমিওপেথিগী দোক্তর মনিমোহন, সেনাপতিদগী থংখোপাও শিঙশিৎ, জেলর লৈরক্তগী লাইশ্রম কাহ্নাই, সনাজাওবা, সমরেন্দ্র, পাহারি মখোয়না তোয়না উনদুনা অরোনবা ৱারী শানবা হৌখিবনি। ইম্ফালগী মসজিদ রোদতা লৈবা ডোক্তর মনিমোহনগী রেপিদ ক্যুর ফার্মাসি অদুদসু নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী ৱারী শানফমসু ওইবনি। মখোয় য়াম্না চিক্লা মীতোপকা তাহন্দনা ৱারী শানবনি। কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা লমদম অসিগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নম্ফুদা নীংতম্লম্বা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিনশিনহনখিবদু অরানবনি, ঐখোয়গী নীংতম্বা হঞ্জিনফম থোকই হায়না অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎতুনা মুভমেন্ট অমা চথনবগী কুপ্না খন্নখি। মতুংদা কুমজা ১৯৬৪ গী নবেম্বর থাদনি য়ু এন এল এফ শেমখিবা। মসিগী মীওই তরেৎনা শাবা সেন্ত্রেল কন্মিটি অমগী মখাদা মুভমেন্ট চথনবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখি। সেন্ত্রেল কন্মিটি অদুগী চ্যেরমেনসি কালালুঙ কামৈনা, অদুগা থংখোপাও শিংশিৎনা ভাইস চ্যেরমেন, সমরেন্দ্রনা জেনরেল সেক্রেটরি ওইখি। মদুদা এন কে সনাজাওবসু কন্মিটি মেম্বর অমা ওইনা ওর্গেনাইজেসনগী অকনবা থবক পায়খৎখি। গ্রাসরুটতগী নহা কেদরশিং খোম্বদা এন কে সনাজাওবনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। মখোয়না অরোনবা কেমেরা মিটিংদা মণিপুরগী পুৱারী, অদুগা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখিবগী মতাংসিদা নহারোলশিংগা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। অসুম্না মরৈবাক মরমদম্বু নুংশিবা নেসনেলিজমগী ৱাখলসি মীয়ামগী থম্মোয়দা য়ৌহন্নবা এন কেনা কন্না হোৎনখিবনি। মালেমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মণিপুরীশিংসি পুনশিন্নবগী পান্দমদা পান মণিপুরী য়ুথ লীগ, গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্ট’স হোমদা কুমজা ১৯৬৮ গী দিসেম্বর থাদা লিংখৎখিবনি। মদুদা এন কে সনাজাওবসু অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। মহাকসি মাঙশিল্লক্লিবা মরমদমগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনখিবা অঙকপা মীওইনি। অদুগা মাসি লময়ানবা চেফোংগী ইহান হানবা এদিটরসু ওইখিবনি।

মণিপুরদা বোইজ স্কাউটস হৌদোকপদা লমজিংখিবশিংগী মরক্তা এন কে সনাজাওবসু অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লময়ানবা অমনি। লমদম অসিগী নহারোলশিংগী মরক্তা দিসিপ্লিন পুরক্লবগী মহাক্লা বোইজ স্কাউটসকী মুভমেন্ট শীজিন্নবা পামখি। মাদি হায়দোকখ্রবদি লোইরে, শৎ-শৎনি, থবক্তা হেক্তা ওন্থোকপনি। নোংমা মাগী স্কাউট নহা ময়াম অমা প্রোসেসন চৎখি। ঐবুসু; সমারেন্দ্রসু খরা য়েংউনে হায়বদগী য়েংখি। মতমদুদদি মীদো য়ামই হায়বা তাই, য়ামখ্রে। মদুদগী ঐনা, মহাকসি মী মখল অমনি খনখি। ইস! মাদি সাইকল অমদা ফৎ-ফৎনি। য়াম্না ঙকখিবসি উনবগী মতমগা হায়নবসি সেকেন্দ অমা খেন্নবা মী নত্তে। মতমগা শোয়নবসি মাদি ফেৎ হাইদোক্তুনা চৎখিবীনি। অসুম্না খঙনবা হৌরকখিবসিনা য়াম্না চান্ননা তিন্নবা হায়বদু ওইরকখি।

মতম খরা লৈরগা ঐখোয় ময়ামদা মানা হায়বনি, - “ঐখোয় সুম্মাইনা লৈথোকপনা য়াররোইদা। থবক খরগা তৌদবা য়াররোই, লৈঙাক্লা তৌরিবা অমোৎপা, হুরান-চিন্থিগী থবক ময়ামসে মীয়ামদা ফোঙদোকপা তারে পাউচে, চেফোঙ অমা তৌদবা য়াদ্রে।” মতুংদা পান মণিপুর য়ুথ লীগ হায়বসি শেমদুনা কোনুং লম্পাকসিদা শঙগা শাদুনা তৌখি। কোনুংগী নিংথৌখোয়গসু ৱারীসি শৎ-শৎনি। খঙহৌদেনে, লময়ানবা হায়বা থাগী চেফোঙ অমা মানা এদিটর ওইদুনা



**এন কে সনাজাওবা**

**(দিসেম্বর ৩০, ১৯৩৬ - নবেম্বর ১১,১৯৯৫)**

হেক্তা পুথোরকই। মদুদা য়ুখল মরুমদা হায়বা অমদা লৈঙাক্কী অরোনবা মীনম-শোরিবসি প্রমানগা কোন্ননা ময়েক শেংনা শেংনা ইবনি। ইস! য়াম্না কন্না কন্না ইখ্রবজাৎনি। এ! মতমদুদি চেফোঙদু পাবা ফাওবা লোৎনা লোৎনা পানরম্বনিনে। খরা লৈরগদি করিনোনে, হেক পুথোকপগা কপি লেমহৌদবা ঙাক্লি। মীনদি ঙাঙনখি, করিনো মসিগী কাঙবুসে মওং অমদি তৌরক্কদৌরিকো।

ঐনসু কপি অমমম খুলদা পুবসি ময়াম পানবদা লৈঙাক্লা করিসু হায়রোইদ্রা হংনৈ। পাবা ফাওবা মখোয়সু লোৎনা লোৎনা পানবনি। ঐ উবদা হন্দক্কী ফোঙখ্রবা হংনবা ফাওবা লোৎনা হংনরকখি। মসিগীদমক মানা পাউ খোম্বসিসু অঙকপনি। পাউ অমবু লৈরে হেক হায়বদা মাদি হুৎতুনা হেক্তা থিবনি। মাগী মীসিসু য়াম্নদি লৈবনি। মাগী সাইকলদুদা ফৎ-ফৎ চৎখিবদা ওফিসকী মীশিংকাসি মঙোন্দদি মতা অমনি। লোৎপকা ঙমদবজাৎনি। অসুম্না মানা চেফোঙ অদু তৌরক্লবা মতুংদগীদি ঐখোয়গা মাগা উনবসি খরা চেকশিল্লে। কাংজৈবুংদা করিদা ঙাইহাক উনরগা শ্বাই শ্বাই মাঙনবীনি। পানগী ওফিসতা ঐসু তোয়না চৎখিদে। লৈঙাক্কী মীনা ঐখোয়গী মথক্তা কুপ্না ৱাটচ তৌবা হৌরে। মতমদুগী লাইরিক খরা হৈবশিংনদি হায়নৈ, কাঙবু অসি লৈবাক্কী করিনো খরা শোয়দনা তৌরক্কদৌরিকো! মীথিৎসি মওং অমনিকো। অদুনা মী অয়াম্বদি ঙম্না সপোর্ট তৌনখিবনি।

হায়বগা তৌবগা খরা লৈরগা মহাকসি পুলিসনা ফাবনিনে। মাদা নত্তে, মাবু মতেং পাঙখিবা মীকাসু ফাখি। জেলদগী থোরক্লবা মতুংদদি, মাসি মওং অমা তৌরে। ফানিংলগা ফাজরসনু থবক্তি অদুম তৌগনি। মীয়াম অসি তূমদুনা ঙম্না লৈরে হৌদোক্তবা য়াদে সিনি, মানা হায়বসি।

ঐনা কাউবা ঙমদবা অমনা, চপ চাবা মতমদুদি হায়বা ঙমদ্রে। লোক্তাক প্রোজেক্টকী থবক হৌরবা মতুংদনি। মদুদনি মানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা লোক্তাক প্রোজেক্ট ৱার্করস য়ুনিয়ন হায়বসি শেম্বনি । মদুনা তৌরিবসিনা অমুক লেবরশিংগী খূৎশুমল মতিক চানা পীদবা য়ারোই সিনি। মদুদা নত্তে, করিগীদমক মপান্দগী লেবর হাপ্তৌরিনো, ঐখোয়গী মী হাপকদবনি সিনি। বিষ্ণুপুর মায়কৈসে মাগী মী য়াম্না লৈবনি। লোক্তাক প্রোজেক্টতা ঐখোয়গী মী য়াম্না থবক হাপহনবনি। মদুগী মানা শিকি অমা ফাওবা লৌবা নত্তে। মতমদুগী প্রোজেক্টকী এঞ্জিনিয়রশিংসি, মাবু য়াম্না রেসপেক্ট তৌই। এন কে হায়রদি লোইরে। মতমদুদা মাগী খূৎলায়সিনা কলমসিনি। অদুগা মীনম্বা-অরানবা তৌবা য়াদবা হায়বসিনসু মীপুম খুদিংনা মাবু কিনিংঙাই ওইবনি।

এন কেগী মরমদা ঐনা নুংশিবা অমা লৈ। চৎমিন্নবদা, চামিন-থকমিন্নবদা, মফম পূম্নমক্তা মাসে চেগা কলমগা শুকথা থাদে। শুম হেক চৎমিন্নবা কৈদৌবসে, মাদি ‘এ! ঙাইখো!’ হেক্তা হায়গনি। অদুগা করি করিনো খোৎ-খোৎ তৌশিনখ্রগা ‘য়ারে-য়ারে’ হেক্তা হায়বনি। ঐখোয়নদুম হায়বনিনে, ফাগী তৌবনি, ‘এ! এ! নঙগী হৌনবীদু হৌরক্লব্রা?’ মদুদসু মাদি শাওদে, নোকপোৎতে, মঙকতো নোম্লগা তৌদবা য়াদবনিনে, কাউখ্রদি কমদৌনি। মাসি টেম্পর মতা অমনি, মানা হৌদোরকপা ৱা, মরম চানা ককপা ঙল্লবদি ফৈ, কংয়েৎকা তৌরুরবা ইস! ফেৎ হাইদোক্তুনা চৎখিদৌনি। শাওদোরকপদা য়ক লাওবনি। মদুনা মাবু কিনবসু য়াওবজাৎনি। অদুগা ইংথরক্লগা অমুক হেক্তা লাক্কনি। ওইরোইদবসু কয়া হায়জিনগন্দে, অদুগা মানা তৌরনিবু হায়রবা শোয়দ্রে, মথন্তা ওইরবসু হেক্তা তৌখিনি। থবক তৌবদা তূম্বা-চাবা থৌশাবীপোৎ নত্তে। অদুগা মাগী মীবু খোনবা মতৌ অমসু লৈ। অদুনবু বিষ্ণুপুরদা, করিদা মাগী মী ঙাক্তা ঙায়বনি। মীবু মনুং হূৎনা য়েংবা ঙম্মী হায়বা তাইয়ে।

বিষ্ণুপুরদা ফার্মাসি ফম্বা কোমোল কৌবা অমা লৈরম্মী। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, মাগী নুপী ঙানবী; মাদি লৈরি। কোমোলগা মাগসি য়াম্না থাজনবা মরুপনি। মাগা শুম তিন্নবদগী লমলাংহূপীগী ঐগী মরীসু থোকপনি খুমম্থৌদো মানা ঠিকাদার ওইনা রেজিষ্টার তৌবীরম্বা ফাওবা লৈখ্রে। অদুনি, অমা তিন্নবদগী মথং-মথং মীসে অদুম তিন্নবা, মীগী মতেংসু পাঙবা। মাদি মীবু শেম্বীবা মীনি। মাবু খঙবা মী খুদিংনা মাবু রেসপেক্টতি অদুম তৌগনি। মানা খনবসি মীবু ৱাখল নুংশিনবা, মতেং পাঙনবা নত্তনা চিন্দা পংঙাঙ ঙাঙবনা য়ারোই খনবা জাৎনি। মীয়াম অসিবু অমুক্তং মিৎ পাঙহন্দ্রবদি লৈঙাক্কী মরীল চুমথোকপা ঙমলোই হায়বসি মানা চেৎনা থাজৈ। অদুনা মীয়াম্না তূম্লিবা অসি হৌদোক্লবনি হায়না তৌরকপা থবক খুদিং মী পূম্নমক্লা ইস! ইস! হায়নৈ, মাগী মফমদা থাজবসু লৈনৈ।

মতম অদুগী লৈঙাক্কী মীওইশিংনা মঙোন্দা অদুগা ঐখোয়গী ওর্গেনাইজেসন্দা অকনবা মিৎয়েং চঙই হায়বসি মা’ চপ চানা খঙই। অদুবু হন্দে লমদমসিগী মীয়ামদা লৌনম তৌরিবশিংগী মায়খুম হাংদোক্লবা কন্না হোৎনৈ। মাগা অরোইবা ওইনা উনখিবসি মাগী ময়ূমদনি। মাবু উবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদে। ফীভম য়াম্না শোকচিল্লম্লে। অদুমক্তদা ঐবু উবদা হৌগৎলক্তুনা মাগী হৌনবী ফিংবদো তৌনবা হোৎনৈ। য়াদে মচিননা থোক্লা হায়রকই ‘ঐ য়াদ্রেহে ইতাও!’ অদুবু মাগী শোন্থরক্লিবা মপাঙ্গল অদুগা তৌগদবা থবক্লা য়াম্মনবসিদা মকোক পুবা ঙমদ্রে। ইগদবা, কৈদৌগদবা ময়ামদুনা ৱারে। মদুনা খরা পোত্থাবনি হায়। মতৌদুদা মহাক কুইনা হিংগদবা মানখিদ্রে। উপাইদি লৈতে। মাগী নুপীনা ‘নচিন-ননাও চাক চামিন্নদবা কুইরে’ হায়দুনা নুমিৎতু চাক চামিন্নরকই। মদুনা ঐখোয়নিগী অরোইবা চারা হায়বদু ওইখ্রে। থোঙ্গাল ফাওবা থিন্দোরকখি।

ঙসিদি মণিপুরী অপূন্বা হ্যুমেন রাইট, ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসন করি করিসি ৱাখল খরা খরা তান্নরক্লে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্লসু রাইট টু ইনফোর্মেসন হায়বা এক্টকাসি পাস তৌদুনা চৎনবা হৌরে। মতম অদুদা এন কেনা ঙম্বগী চাং অসি, মা মশামক লৈরম্লবদি পেঞ্জগনি। অদুবু অপূনবা অৱাং নোংপোক অপূন্বসি অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বা মঙলান অদুমদি ওইদ্রি। কয়াদা লাইবক থিবনো। নীংশিংবদা ময়েক শেংদবা খরসু লৈখ্রে। লন্নাই ওইনা খ্বাইদগী থম্মোয় কায়খিবা নুমিৎ অমা হায়বা তারবদি মানা থবক হাপ্পীরম্বা লোক্তাক প্রোজেক্টকী দ্রাইভর অমনা পাউ তল্লম্বা অদুনি, ‘ওজা, তামো এন কে লৈত্রে হায়নৈ তারব্রা?”

পাউ অদু ঐঙোন্দা করি হায়গনি, ব্রজ তাবগুম্বনি। মণিপুরগীদা নত্তনা অৱাং নোংপোক অসিবু অমত্তা ওইনা উখিবা, লময়ানবা অসিবু, কনানসু নীংশিংনরুদ্রবনি। অদুবু ঙসি মাবু নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকপসিদা কাউজবা ঙমদবা ঐঙোন্দদি ঐনা তৌবা ঙমদবা ইশাগী থবক অমা ইচা-ইনাওশিংনা পাঙথোক্লে খনজৈ। মসিগীদমক নুংঙাইবগী পি তারিবনি। মতুংদসু ঐগী নুংশিরবা মরুপ এন কে সনাজাওবগুম্বনা ফোঙলম্বা পাউচে ওইরবসু অমা ওইরবসু লময়ানবা ঙম্বা অমা থোরকখিবসু, ওইখিসনু হায়নীংই। মদুনা মাবু নীংশিংবগী, মানা মঙলম্বা মঙলান অদু মঙফাওনবা ওইগনি খঞ্জবনি।

# অনৌবা য়াওলগী মায়োল লেপখিবা চীংঙা সেসন লৌমী-শিন্মীশিংনা মীকপ থোকপা নুমিৎ দিসেম্বর ২৯-৩০, ১৯৩৮

— সোটিনকুমার —

**কুমজা** ১৯৩৮ গী দিসেম্বর ২৯ অমসুং ৩০ দা চীংঙাদা ফমখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৪ শুবা মীফম অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অনৌবা য়াওল অমগী মায়োল লেপখিবা খ্বাইদগী মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মীফমসিনা পোলিটিক্স, অর্থনিতি অমদি খুন্নাইগী ওইবা দাবী কয়া বৃটিশ সম্রাজ্যবাদি অমসুং নিংথৌগী শুপ্নম লৈঙাক্কী মায়োক্তা অহানবা ওইনা ফোঙনা থেংনখি। পুর্ণদায়িত্বসিল সাসন (রেসপোন্সিবল গভর্ণমেন্ট) সবালক ভোটনা মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাকচবা অমদি লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবা পোলিটিক্সকী খোল্লাও পুখৎতুনা অওনবগী মায়োলদা লময়াল্লকখি। মরম চাদনা লৌবা মখল কয়াগী টেক্সশিং, নমদুনা খূৎশুমল পীদনা থবক শুহনবা, তমথীরবা অমাং অশেংগী চৎনবীগী মায়োক্তা দাবী কয়া পুখৎতুনা মীয়ামদা রেভল্যুসন্নরী ওইবা ইহুল কমরেদ ইরাবতনা পীরমখি।

**নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা শেন্নকপা**

লৈবাক্লা শকখঙনরবা ইরাবত্তা নিংথৌগী ময়াম্বুং চন্দ্রহাসকী মচাইবেম্মা খোমদোনম্না থাজদুনা অমদি সদর পঞ্চায়ট মেম্বরনচিংবা ওইরবা ফাওবদা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা মতমদুগী লৈঙাক্লা থল্লিবা ফৎত্রবা চৎনবী কয়া অমাং-অশেং, চন্দন-শেনখাই, পাচঁ-নাপেৎ, পিওন-আমিন চাকথাক, পোৎথাং বেগারি, জলসম্বন্ধীনচিংবা কয়াসি মরু ফংনা মুথৎতুনা অওনবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা কমরেদ ইরাবতনা কন্না থেংনবা হৌরকখি। মীয়াম মরক্তা চঙদুনা মতমদুগী মীয়াম্না থেংনরিবা সমস্যা কয়া কোকহন্নবা উপায় পুথোরকখি। অপূনবনা থৌনানি হায়বসি ইরাবতনা খঙখি। মরমসিদগী ইহান হানবা অপূনবা লূপ ‘মণিপুরী সভা’ কুমজা ১৯৩৩ গী নবেম্বর থাদা ইরাবতনা রিসেপ্টসন কন্মিটিগী চ্যেরমেন ওইদুনা লিংখৎখি। সভা অসি লিংখৎপদা য়াওখিবা মরুওইবা মীওইশিংদি-সোরোকখাইবম থন্বৌ, নোংমাইথেম থানিল, হিজম অঙাহল, হিজম অঙৌবা, লৌরেম্বম কামদেব, লোংজম নিংথেমজাও, হুইদ্রোম বীহারি, দামোদরচন্দ্র পাল অমসুং তখেল্লম্বম দামোদরনি। মণিপুরী সভাগী অহানবা মিটিং কুমজা ১৯৩৩ গী নবেম্বর ২৯ দা ফমদুনা য়াম্না মরুওইবা ৱারেপ মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী অপূনবা মীফম অমা ফম্বা, মসিদা খুদোংচানবগীদমক চীংঙা নৎত্রগা ক্বাকৈথেলদা ইরমদমগী ওইবা পোৎচৈ, ফিরোলগী মেলা অমা পাঙথোকপা মসিগীদমক দরবারগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর ষ্টেৱার্টতা মহারাজবু ফংসন অসিগী চ্যেরমেন ওইবিনবা লোয়ননা মেলা অসি ওপন সেসন পোলিস বজারদা পাঙথোকপা য়ানবগী চে চাং পাথোকখি। মেলানা মে ২২ দগী মহারাজকুমার প্রিয়োব্রতনা হাংদোক্তুনা মে ৩০ গী মহাসভাগী ওপন সেসন ফাওবা চৎখি।

ইরাবতনা রিসেপ্টসন কন্মিটিগী চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ওপন সেসন্দা মণিপুর, কছার দিগবোই, ত্রিপুরা, ধাকা অমসুং ব্রহ্মদেশতগী পূন্না দেলিগেট ৩১১ না শরুক য়াখি। মহাসভাগী হৌদোকপগী থৌরম সনা কোনুংগী রাসমন্দলদা পাঙথোক্তুনা মহারাজ চূড়াচান্দনা প্রসিদেন্ট, সিনাম কৃষ্ণমোহননা জেনরেল সেক্রেটরি ওইখি। মীফম অসিদা তাখিবা মরুওইবা ৱারেপশিংদি-মণিপুর ফুরুপকী মরীক চুম্বা পুৱারী ইনবা, মণিপুরগী ৱাংমদা তারিবা মীতৈশিংদা মণিপুরী লোন সবজেক্ট অমা ওইনা তমহন্নবা, ইরমদমগী মশান্না থাঙ-তা, মুক্লা, কাংজৈ য়োকখৎনবা, মণিপুরী খুদিংনা মাগী মাগী মচাশিংবু প্রাইমারি এদ্যুকেসন ফংহন্নবা, মণিপুরীশিংদা মীতৈ ময়েক হৈহন্নবা লোয়ননা মরবাগ জগোয় শাবিনা মীতৈ নুপীগী ঈজৎ সনমান মাঙহল্লিবসি তোকহন্নবা ৱারেপ লৌখি। মহাসভাসিগী থবক পূনবগীদমক ৱার্কিং কন্মিটিগী মেম্বর ১৭ মণিপুরদগী ৬, কছারদগী ৪, ত্রিপুরা, আসাম, ব্রহ্মদেশতগী ২/২ অমদি ধাকাদগী ১ খনবা য়ানখি।

**মহাসভাগী ২ শুবা মীফম** - কুমজা ১৯৩৬ কী জান্যুৱারী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা সিলচরগী তরাপুরদা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ২ শুবা মীফম পাঙথোকখি। অহানবদদি কুমজা ১৯৩৫ গী বরদিন মনুংদা ফম্ননবা লেপ্পরম্বনি। অদুবু মণিপুরদা অনা লাইচৎতগী মীয়াম অমা শিখিবা লোয়ননা জেনরেল সেক্রেটরি সিনাম কৃষ্ণমোহননা অচিনবা খরদগী টার্ম শুদনা পোত্থাখিবদগী য়ৈথোকপা তাখি। কুমজা ১৯৩৫ গী ওক্টোবর ২০ দগী ইরাবতনা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থবক পুখি। সভাসিদা মণিপুর, নবদ্বীপ, মন্দলে, শিবসাগর, বড়খোলা, মণিপুরী বস্তি, নাগাও-হোজাই, পুরী, শ্রক্ষেত্র, ত্রিপুরা, শ্রীহট্রা, কছার, সোপিরবন্দ, বরখোলা, রামনগর, সিলচর (রামনগর) তুকো (বড়খোলা) বড়রামপুর, শিবপুর, আশ্রলাবুক, বাঁশকান্দি, জয়পুর, বনরাজ লসাই, রামপ্রসাদপুর গোবিন্দনগর অমদি উঠারবন্দগী ডেলিগেট ৪০০ রোম্না শরুক য়াখি। মহাসভাগী ২ শুবা মীফমদা লৌখিবা মরুওইবা ৱারেপশিংদি মণিপুরগী মপান্দা মীতৈশিংনা চৎপদা খুদোংচানবগীদমক মীতৈনা খুন্দারিবা মফম নক্লা লৈবা রেলৱে অমসুং জহাজ হিথুংফমশিংদা মীতৈ মচাশিংবু থবক পীবিনবা, মীতৈ খোরিরোল চাওখৎনবগীদমক মীতৈলোনগী ঈশৈ শন্দোক্লবা হোৎনবা, মণিপুরী লোনগী শিক্ষা বিভাক থম্বীনবা ব্রহ্মদেশকী লৈঙাক্তা হায়জবা, মীতৈ গনকশিংগী ময়ূমদা চা থকপা য়াদবগী অথিংবা লৌথোক্লবা, মপান দা লৈবা মণিপুরী খুঙ্গং খুদিংদা মীতৈলোন তম্নবগী প্রাইমারি স্কুল লিংবা অসিনচিংবনি। মীফমসিনা মহারাজবু মহাসভাগী প্রসিদেন্ট অদুগা ইরাবতপু জেনরেল সেক্রেটরি খনখি।

**মহাসভাগী ৩ শুবা মণ্ডলে মীফম ঃ** নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী অনীশুবা মীফম মতুংদগীদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মহাসভাসিনা নোংমদি লৈঙাক্তা পোলিটিকেল দিমান্দ কয়া থাঙ্গৎলক্কনি হায়বসি খঙবা হৌরক্লে, লোয়ননা ইরাবতকী মথক্তা অথিংবা কয়া নিংথৌনা থম্বা হৌরকখি। কুমজা ১৯৩৬ কী দিসেম্বর ১৯ দা দরবারনা থোকখিবা হুকুম অমনা মহাসভাগী মন্দলে মীফম অমদি অতৈ মরী লৈনবা মিটিংশিংদা ইরাবত য়াওবদা অথিংবা পীরকখি। মরমদি মহারাজগী পোলিসিনা মাগী মখাদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অমদা য়াওহল্লগা ইরাবতকী লালহৌ নমথগে হোৎনবদু মায় পাক্লক্তবদগীনি। কুমজা ১৯৩৭ কী জান্যুৱারী ১২ দা ইরাবতনা তকশিনবদগী অথিংবদু লৌথোকখি। অদুবু দরবারগী মিৎয়েং অসিদগী ইরাবতনা মহাসভাগী ৩ শুবা মীফম মন্দলেদা য়াওনবগীদমক ফেব্রুৱারী ১৫ দগী মার্চ ২০ ফাওবা ছুটি লৌরগা চৎখি। মহাসভাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুরগী প্রসিদেন্টকী ফম হাংনা থল্লগা ইরাবতপু ভাইস প্রসিদেন্ট অদুগা ললিতা মাধবপু জেনরেল সেক্রেটরি খনখি। মীফমসিদা লৌখিবা মরুওইবা ৱারেপশিংদি - ব্রর্ম্মদেশতা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী মরক্তা ম্যুনিসিপাল কন্মিস্নার অমদি ওনরেরি মেজিষ্ট্রেটকী (মন্দলে টাউন) ফম পীবা ব্রহ্মদেশ অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা লৈবাক অনীগী লল্লোন ইতিক্কী মরী চেৎশিন্নবা হায়জবা, মীতৈ মশেল লুহোংনবা, ব্রহ্মদেশতসু মণিপুরী হিষ্টোরিকেল সোসাইটি অমা লিংখৎপা, মন্দলেদা মণিপুরী লোন তম্নবগী মিদল স্কুল অমা লিংখৎনবা লোকেল ওথোরিটিদা হায়জবা, অসিনচিংবনি।

**ইতিহাসিক ওইরবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৪ শুবা চীংঙা মীফম ঃ** নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৪ শুবা মীফম চীংঙা লম্পাক্তা কুমজা ১৯৩৮ গী দিসেম্বর ২৯ অমসুং ৩০ দা ফমখি। চীংঙা মীফমসিনা মীয়ামদা দেমোক্রেসি অমদি সোসিয়েল জষ্টিস করিনো হায়বা খঙহনবগা লোয়ননা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদি অমদি নিংথৌ লৈঙাক (ফিউদেলিজমগী) কী মায়োক্তা থৌনা লৈনা থেংনবগা লোয়ননা কাঙলুপকী ৱারেপ্পা অহানবা য়ূন্ফম থোনবা হৌখি। নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা হায়বা মমিং অসিদগী হিন্দু ৱাহৈ লৌথোক্তুনা ‘নিখিল মণিপুরী মহাসভা’ কৌবা পোলিটিকেল পার্টি ইহান হান্না মণিপুরদা লিংখৎখ্রে। চীংঙাগী মীফমসিদগী কমরেদ ইরাবত এন্টি ফিউদেল অমদি এন্টি ইম্পরিয়েলিষ্ট ঈহৌ থৌনা লৈনা হৌদুনা মীওৎ মীনৈ লৈতবা, মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবা থমদবা খুন্নাই অমগী য়ূন্ফম থোনবা হৌরকখি। মীফমসিদা মরুওইবা ৱারেপশিংদি-মণিপুরদা পুর্ণতায়ত্বসিল লৈঙাক লিংগদবনি, সবালক ভোটনা মীখল তৌগদবনি, খুঙ্গংদা পঞ্চায়েট লিংখৎকদবনি, খুঙ্গং খুদিংদা স্কুল লিংগদবনি, ফ্রি এণ্ড কম্পলসরি প্রাইমারি এদ্যুকেসন পীগদবনি, খুঙ্গং খুদিংদা অনা লায়েংশঙ থমগদবনি, ঈথৈ লৌখোং শেমগদবনি, লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি, লৌগী খাজনা লুপা ১২ দগী লুপা ৬ তা হন্থগদবনি, চীং, পাৎ, তুরেল নিলাম কক্কদবনি, চীং তমগী লৈঙাক পূনশিনগদবনি, রানি গাইদিনলিয়ু থাদোকউ। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎনবগীদমক কোটেজ ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্নবা, লাইরিক হৈবগী চাং য়াম্না নেন্নিবসি কোক্লবা লিটরেসি কেম্পেন তৌবা, আসামগী কাউন্সিল অমদি এসেমব্লিদা মীশিংগী মতুংইন্না মীতৈশিংগীদমক সিট রিজার্ব তৌবা লোয়ননা ধর্ম্মগী নামাদা শেনখায় কয়া-পালা লোইশঙ, শেন্টেক, চন্দন শেনখায় পাঁচ অনা, দোলাইরেং, পোৎথাং বেগার, পিওন আমিনগী চাকথাক, জল সম্বন্ধীগী আইন, মাশুন লৌবনচিংবগী মায়োক্তা ৱারেপ কয়া লৌখি। মথক্কী ৱারেপশিং অসিদা য়াওরিবা দিমান্দশিং অমদি মহাক্কী ভাসন্দা কমরেদ ইরাবতনা হায়খিবা দরবার মুথৎকদবনি, মীয়াম্না ভোটতা খল্লগা লৈঙাক তৌগদবনি, কৃষ্ণক মজদুর রাজকারনা (লৌমী শিন্মী) লৈঙাক পায়গদবনি হায়বনচিংবা কয়া অসিনা চপ চানা তাক্লে মদুদি ইতিহাসিক ওইরবা চীংঙা সেসন অসিনা এন্টি ইম্পরিয়েলিষ্ট, এন্টি ফিউদেল অমদি কাঙলুপকী ৱারেপ্পা য়ূন্ফম থোনবা হৌরকখি।

কুমজা ১৯৩৯ গী ফেব্রুৱারী ৮ দা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৪ শুবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু দরবারগী প্রসিদেন্টতা খন্নবীনবা থাজিনখি। মখা তারকপদা ফেব্রুৱারী ১৫ দা দরবারগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর মেকদোনেলনা থোকপা হুকুম অমনা নিখিল মণিপুরী মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরবনিনা ষ্টেট লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিং, লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা ওজাশিং মহাসভা অসিদা য়াওবা নৎত্রগা মতেং পীবা য়াদ্রে হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা মণিপুরগী মহারাজগী প্রাইভেট সেক্রেটরিনা নিংথৌগা মহাসভাগা লৈনরম্বা মরী পূম্নমক কক্লে হায়না খঙহল্লকখি। দরবারগী প্রসিদেন্টগী হুকুম অসি হেক ফংবগা অথুবা মিটিং অমা কৌদুনা ৱাফম অসি কুপ্না নৈনখি। অদুগা মখা তানা চত্থগদবা খোঙজং কয়াসু খন্নখি। কমরেদ ইরাবত অমসুং এলাংবম তোম্পোক অনীনা মহাসভাগী থবক থৌরমদা হেন্না মায়পুননবা লেপ্পখি। চূড়াচান্দ মহারাজনসু লৈঙাক্কী সি আই দি মায়কৈ থুংনা থাদোক্তুনা মহাসভানা করি চত্থরিবগে হায়বগী অরোনবা পাউশিং লৌবা হৌরকখি। মহারাজনা মহাসভাগা মরী তৎনখ্রবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অয়াম্বা মার্চ ২৯ দা মহাসভাদগী তোক্লখি। মশাগী ফম থাদোকখিবদি কমরেদ ইরাবত অমসুং এলাংবম তোম্পোক্তনি। সদর পঞ্চায়েট মেম্বরগী ফম থাদোক্লবা মতুংদগীদি কমরেদ ইরাবতনা ফোংনা নিংথৌ অমদি বৃটিশ লৈঙাকলোনগী মায়োক্তা থেংনবা হৌরকখি লোয়ননা নমথদুনা থনল্লবা মণিপুরী মীচম মীয়ামদা অনৌবা আশা উৎখি। মতমদু ইন্দিয়া শিনথুংনা বৃটিশকী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লকপনা ইরাবতনা মণিপুরদা অন্দোলোন পুখৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী মপান - ধাকা, বর্ম্মা, আসাম, কছারনচিংবদসু চত্তুনা মীয়াম ওর্গেনাইজ তৌবা হৌরকখি।